# শাদেৱা মীদেৱা লাইৱা তীনৱাগী থাজনবী-নোক্লীংবা কপ্লীংবা ইয়ান য়ান্নে

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লৈশাবী ফানীং ফামাঙ তৌরকপা মতমদনি, ঐখোয়গীদুদা শুমাঙ লীলা অমা তৌখি। য়াম্না পামজবা শুমাঙ কুম্মৈ লীলারোয় কাঙবুনা শান্নবা লীলানি। লীলা মমিংদু ‘তরেঙ লৈবী’ কৌই। মতমদুগী ইপোম হায়না খঙনবা ফাগি লীলাগী নিংথৌরেলশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোইদবা ওজা ওইনাম বাবু, ওজা ময়াং ইম্ফাল তোম্বী, ওজা কুঞ্জরাজনচিংবগী কাঙবুনা শান্নবা লীলানি। লীলাগী ৱারীদুনা খোয়দৌ অসি মতম ফনা কুইনা শাউগৎহনখিবনি। ঐখক্কী নত্তে, পাখঙ-লৈশাবী শোইনৌশিং, পাখঙ-লৈশা ফাবা ঙাইঙমদবা ঙাইঙমদবীশিং, মপূং ফারবা-ফারবী পাখঙ-লৈশাশিং, মৌনাও-মৌয়াই, মৌরিনচিংবা পূম্নমক অদুম চাক্লদুনা লৈখি হায়বা য়াই। কাউবা ঙমখিদে, ফনা কুইনা লংচাক চাক্লবা তরেঙ হেক উবগা থুদেক্লীংবা হায়বদু হেক য়ৌখিবনি। লংচাক চাকপকাদু য়েংনীংবা ফাওখিদবনি। মশক মতৌ চঙখোনবী লৈকায়গী ইচেশিংসু তরেঙ লৈবীনা লৈশিনখিদ্রা হায়না নীংশা থীবগী থাক য়ৌখিবনি।

মতমদুদা ঐখোয়না মেনকা শাবী হায়রগা খঙনবা য়াম্না পামজবা নুপী শাবীনি। মখোয়গী কাঙবুগী লীলা লৈ হায়রবদি মীশিংদো চাক ঈশিং খঙনদে হায়বা য়াই। ‘তরেঙ লৈবী’ লীলাদুদা মেনকা শাবীদুনা ফজবসিদি, করিবু হায়রুনি। মাগা নুংশিনজবা হিরোদু মীরমদা লাইরিক তম্বা চৎখি। হিরোদুগী মপুবোক্তু খুলদুদা শেল পায়বগী মমিং চৎলি। য়াম্না অহল ওইরে। ওজা ওইনাম বাবুনা অহল অদু শাবনি। অহল ওইবৈ চাংদি মশমদি থম্বু থমখো পিশুম মকোই ফাওবা পোক্লা পুমঙৌ ঙৌরবনি। মানা মশু নুপাগী চান্নজবীদু নোংমা হেক উরুরে। মদুদা মহাক্তি কম্লাক কুরুং শুং মমঙ মখূৎনা লাম্বা ফং মাঙগী লম্বীনা তেল্লবা তুংগী লম্বীনা শাংহৌরবা হনু মালহৈ কারবনি হায়বদু পুমকাউ হেক কাউথোকখ্রে। পাখং মচা তদেক তদেকপা অমদা লাকপা নুংশি ইথিলদু কোক হেক লাকপনিমা।

মশুগুম্লবীদুবু মাগী ওইনীংবনা জাৎ-জাৎকী পাম্বে তৌরকই। অরোইবা পাম্বে ওইনা নুপাগীদমক খোয়দাজবা নুপী অদুগা নুপীগীদমক পামজবা নুপাবু তরেঙ লৈদুনা কৌরগা নমফা ফাবা ঙম্বা মমিং লৈরবা ওজা মাইবা অমগী মতেং লৌখি। তরেঙ লৈবী মাইবা শারিবা ওজা কুঞ্জরাজনা চঙগদবা পোৎলম চৈরম কত্তুনা লৈশাবীদুগী মমিং কৌরগা হায়ফেৎ নোম্থরগা তেরে রে রে রে... হায়না তরেঙদু লৈখৎলকপদুদি হায় হায়...। লীলা য়েংলিবা মীপূম খুদিংমক নোকপদা পূক্লী পায়নবনি। ফ্র-ফ্র ওন্নবসু য়াওখিবনি। তাঞ্জাদুদা নুপীদু কোক হেক লাকপৈ ৱানিদা। অয়েংবা ঐখোয়গী ৱাখলদদি মশুনুপাদু হংবা লাকপনি, মদুদা অহল মাসু মাইবা মাসু শেরান তুরান ঙাঙলুবদা খুইরবা মায়থোঙশিংদু লৈশাবীগী খূবাক্তি শোয়দ্রে খল্লুবনি। অদুবু থম্মোয়সি কায়বজাৎনি, তরেঙ লৈবীনা চিংবা ওইরম্লে। ওজা মাইবগী শিধ পানখ্রে, কয়াম শাউনীংই। তৌরিবা মওংদু লম লাপ্লা লৈখিবা মশুনুপা হিরোদুনদি খঙজবা নত্তেদো। হৌজিক মতম ওইরদি সোশল মীদিয়াদা ভাইরেল চৎতুনা মাসু খঙজগদবা, মদুসু নত্তেদো। মতম খরা লৈরগা লাইরিক তম্বা লোইরবনি হায়দুনা ময়ূমদা হঞ্জরকপনিমা। মাগী থৱায়গী থৱায় ওইবীদুনা মপুবোক্কী লোয়নবী মাগীনা মবোক ওইদুনা ময়ূমদা ঙান্থোইদুনা লৈরম্বদুদি করি ওইরমগনি। ঈ খেগৎলকপা পাখঙনি, ঈদু ফৎ কাখৎখিদুনা লুতোন য়ৌখ্রেদো। ফৎ পাইথোকখি, কদাইদগীনো খঙদে বোম অমা পুরগা হল্লকই। পুল্লপ ওইনা তুম্লো হায়রগা বোমদু থম্মী। পোকখায়রগা কান চাদনা মেল্লে লাংবশিংদো শিখ্রদি ফদৌনি খন্নখিবনি, অদুবু পোকখায়খিদে। ময়ামদু খম থেংনা চাক্লখিবনি। ফনা কুইনা নৈনখি তশেংনমক তরেঙ লৈবীনা কৌনীংবা মী কৌবা ঙম্ব্রা হায়না।

মন্ত্র লাইৱানা মী কৌবা ঙম্মী হায়বগী মতাংদা মহাভারত্তসু দুর্বাষা মুণিনা পীরম্বা আকর্ষন মন্ত্রগী মতেংনা কুন্তীনা নুমিৎ কৌবা লাইবু মনাক্তা কৌখি হায়। পঞ্জখ্রিবশিং অসিদি লীলা অমদি ৱারী লাইরিক্তা য়াওবা মতাংনি। মসিদসু নত্তনা পোৎশেম যাদু তৌদুনা মীনা মীবু ঙাওহল্লি, শিবা নাবফাওবা থোকহল্লি হায়দুনা ৱাফংনবা অমদি খৎন-চৈনবগী ৱাথোক-লান্থোক মশীং খঙদনা থোকখ্রে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু পোৎশেম যাদু তৌরম্বগী মরালদা চৈরাক পীখিবগী মতাং চৈথারোল কুম্বাবদসু থেংনৈ। অসিগুম্বসি মীরোল খুদিংমক্তা মুত্তনা লৈরক্লি। অশেংবা ওইরিব্রা নৎত্রগা শেমজিন-শাজিনবা ওইরিদ্রা খঙদে, ঙসি চয়োলমুক্কী মমাঙদা অসামগী মফম অমদা ইমুং অমগী মীওই অনী মী ময়াম চঙদুনা মৈ থারগা হাৎখিবগী থৌদোক সোশল মীদিয়াদা হায়ফেৎ উখি। মদু মীঙোন্দা পোৎশেম যাদু তৌবগীনি হায়। থৌদোক্তু হৌজিক্কানগী পঙশেম শেমজিল্লগা থাগৎপীদু ওইরম্লদি ফৈ, অশেংবা ওইরম্লদি উহৈ তাহৈদবা পাউনি হায়নীংই।

ইমীৎনা উবা অশেংবা ময়াম অমসু থেংনখ্রে। পোকমিন্নবা মচিন মনাও অনীগী মরক্তা শীংচেপ য়ৈবা ঙম্বা লাইৱা তীনৱা পোৎশেম যাদুনি। পোৎশেম তৌশিনখ্রে, পোৎশেম লৌথোক্লিবনি হায়দুনা মোম্পাক মৈ থাবসু য়াওই। কাঙ্খ, য়ূময়ায়নচিংবা মফম কয়াদা তৌথোক্লগা কোম শানা থম্বসু কোঙ্গায়নি। পূক্লুংদগী পোৎশেম ওথোকহনবসু য়াওনৈ। অহল লমনশিংনা তত্তনা তাকপীখি মদুদি মীনা পীবা ক্বা মফম মরাং খঙদনা চাশিনগনু, পোৎশেম য়াওরমগনি হায়না। খঙদেদা পঙকিদা কিহনখি। হৌজিকসু অদুমঙায়, লেপ্পা লৈতে পোৎশেম যাদু লাইৱা তীনৱাগী ৱাথোক লেপ্পা লৈতে। নুপা অমা নুপী য়াম্না লোল্লি। মীনা ’সুম হায়নবদা নুপাদু নুপী শুম্বগী লাইৱা য়াম্না হৈ হায়।

লাইৱা-তীনৱা হায়বসি মীওই কাঙলূপ খুদিংমক্কী পূন্সি মহিংগা শাগোন্নদুনা লাক্লবনি। মদুদা লুরিবদি ফত্তবা থৌওংদা চত্থবনা অয়াম্বা ওইনা উই। চুম্বা চুমদবা খঙদে থাজখিবা হায়বসিসু য়াম্না লুই। থাজরনিদো হায়না থাজখ্রবদি থাজগনু হায়রুবা য়াবজাৎ নত্তে। মসিদা লাইচুখিবা কাঙবুদি মতম মাঙবা মরন তিংথোকপদা ফে লাউবীবা নত্তে। লাইৱা তীনৱা ওইরবসু অফবা পাম্বে ওইনা শীজিন্নরবদি খরসু ফগদবা। খুদম ওইনা লাংথ্রৈ মনা খঙদে তুলসি মনা খঙদে ইচম চম্লা শায়বদগীদি অখঙ অহৈনি থাজনরিবা মাইবা অমনা লাইৱা খরা হেক শোনবীরগা শায়রদি হীদাক অদুম ওল্লে। মসিসু সাইকোলোজিকেল ত্রিটমেন্ট মখল অমনি হায়বা য়াই। লাইরিক পানীংদবা অঙাংদু পানীংনবা লাইৱানি হায়দুনা করিগুম্বা খরা শোনবীরগা মকোক্তা নান্থবীবদা শাউগদবা মমা-মপা লৈরোই খল্লি। মদু নত্তদুনা মানা হূইকাপ তেনকাপ তৌরে, লাইৱা তীনৱা থাজিল্লে অদু তৌরে, অদা তৌরে হায়দুনা অমগা অমগা কৈ মীৎয়েং তৌনরকপা য়াওদবা নত্তে। ফাগি ফাগিদগী মীশি-মীনা থোকপা য়াওরিবনি। মসিমক্তি মীওইবগী অফবা ৱাখল্লোনবু চাথোক্কে তেমশিংনরক্লিবা শাথীবা মহীক মখল অমনি। ●

# শগোল লৈওনবা উদ্রে

- নবকুমার ওইনা -

কোয়বা চৎপা, শান্নবা কয়াদা শগোল শীজিন্নরম্মীবনি। লৈকংদা য়াঙনা চেনবা শাশিংগী মনুংদা শগোলসু অমনি। শঙ্গু-শঙ্গু লৈজরবসু কৈনা, নোংশানা খায়-খায়দুনা ফারগা চাবীরিবনি। শরূ ফাওবা লেম্না মাঙবা নৎত্রে, কেলসিয়ম শুংবদা য়াওরম্বা য়ারি। শগোল কাংজৈ হৌদোক্লিবা মফমসিদদি লৈশিল্লক্তরে।

শগোল তোংবা, শগোল গাড়ী তোংবা নুংঙাইখ্রবা ৱাখল অমদনি। শজিক থাকপা নত্তে, চ-না পীজবদি উরে, গাড়ীদৌনা থাও হাপ্পা নত্তে। মখোঙগী মখোলদো ‘কদাক-কদাক-কদাক’ তান অমদা নোম্লগা চেল্লিবনি। মপু নীংজরুবদগী মপূন্সি চূপ্পা শাদোঙ ওইরগা লেল্লিবনি, নুংশিবদগী খুল মমিং ফাওবা ‘শগোলতোংবা’ হায়না থোল্লিবনি। শগোল গাড়ী য়াম্না উদ্রিবসিদি লম্বী ফজনা শেম্বা হৈতবগী ওইগদৌরিবনি। য়ূমদগী কয়া চখোক্তবীদা পঙহিং হিংনরম্বগী লাপ্না চৎনদ্রবসু য়ারম্মীবনি। লান থোক্লবদি শগোল লান্মীনা অরাম্বাই লংবা হায়নরম্মীবনি। উহৌবদি নৎত্রে, হৌজিক্কী অরাম্বাই অসিসু নত্তে। লান অয়াম্বা মীনা ঙমখিবা ওইনা তৌরদনা লমদি অসুম পীকশিল্লকই। ইঙ্খোলদগী ষণ তান্থোকখিববু লান ওইনা লৌগদ্রা, পঙথাদা থাগৎনৈ। শগোল মুৎশিল্লকপসিদি লায়বু লায়রি, মপু ওইরিবা মীশিং ফাওবা অসুম মুৎশিল্লক্লি। কদায়দনো অমা শোয়রি, হিংবা হৈত্রি, শগোল য়োকপা হৈত্রি। ঙাইহাক লৈওল্লগা লৈগদৌবদু লৈওনফম লৈতদুনা লম্বী ময়ায়দা গাড়ীনা থোল্লগা শিবা মশীং থিরগা লেল্লিবনি। অফ-নুংঙাই কান্নবা ৱাদি ইয়াও য়াওদে, অশি-অনাগী ৱারীদা হিংবগী মহাও য়াওরক্ত্রবনি। শগোলসু কনবা ঙমদা, মপুসু কনবা ঙমদা, লৈফমসিসু কনবা ঙমদা পুল্লপ মুৎলবদা মীওই খরনদি লৈবাক অমগী মমিংসি হোংল-হোংলগা মুৎথৎপা ঙল্লিবনি, শগোল লৈওনবা হায়রিবসিগা মান্নরবনি।

অঙাও-অফৈগী হৈনবী খরা নাৎ ওইনা শেমগৎলগা লৈবাক ওইনা খুল্লিংদুনা লৈবা ঙম্লগনি হায়বা লৈতে। খুন্নাই অমা শেন্নবদা শগোল শেন্নবদৌনা শেন্নরগা লৈওনবদৌনা মতম লেনবনা য়ারক্লোইদৌরিবনি। মীওই খরনা নোংমৈ পায়খৎনরক্লিবসি মীওই খরনা অরানবা খরদু তৌরুবগী ওইগদৌরিবনি। লৈবাক মমিংসু কৌনীংবা কৌরো, লাই মমিংসু কৌনীংবা কৌরো, লোল অসিসু কৌনীংবা কৌরো ইশাগদি থোইনবু মরী লৈনদে খল্লক্লে (য়ানীংদবগী হায়রবদি) অম্‌তবু য়াওশিল্লক্তরবনি। পূন্সিসে নাতৈ চাদ্রে হায়বদি খঙবা লায়রে, নাতৈ চাহন্দবদুসু লায়রেদনা, লুরিবনা নাতৈ চাহনবদুনি, ঙম্নদ্রেদনা। হাৎখ্রবশিং কমদৌনা হাৎখি হায়বদা অৱাবা খাঙগদৌবা নৎত্রে, হাৎলিবশিংনা করিগী হাৎলিবা হায়বসিদি মমুৎ তানা খঙদবা য়াদবদুনি। হিংনীংই হায়বতনা হিংবা ঙম্লগনি হায়বা লৈতে। চিরবা তাঞ্জাসিদা শগোল লৈওনবদৌনা হৈনবী খরদা নুংঙাইথোকপা য়ারিব্রা হায়বদুনি। লাই লাল্লবদি মীসু লানবা তারকই, মার্জিংবু শগোলনি হায়, লাই ওইনসু ঈরাৎলি। খঙদনা হায়বনি, খঙলগা হায়বশিংগদি মান্নদবসু য়াই। সনামহী হায়বসু মৈতৈতগী লাই নত্তে, মৈতৈতগী লুবাক্তা হেক্তা হাপচিনখি। হান্না হায়রম্বশিংগা পাউ ফাওনবা ঙমশিল্লক্তে, মীনা হায়রম্বনিনা লোইনমক চুম্লগনি হায়বসু লৈতে খল্লি। মোনার্কিজমদা হায়রম্বদু, দেমোক্রেসিদা চানদে, সোসিয়েলিজমদা কমদৌবা তারিবা? কম্মান্দ অমদি নত্তে, ৱাখল খুৎখন্দু হায়বগী ৱানি। ৱাখল শিংজু তাগদৌরিব্রা, ষ্ট্রগল ফোর এগজিষ্টেন্ট হায়বগীদি শগোল শাজৎনা য়ারক্ত্রে হায়বদুনি। চংজবা হায়বসি লাই থাজবগা মান্নরকই, মোনার্কিজম ওইগদৌরিবনি। নাকল অমদা থম্মোয় শোন্থহনবনি হায়বসু লৈ, করিগুম্বা অমত্তা লেম্না পীরক্কদৌবা লৈতে, হায়বদি পঙহায়দা হায়গনি, হায়শিন্নবনি। মচিন্দি থীদে হায়বা অদুম খঙনরিবা ৱানি। মীনাই ওইনা পোক্লক্লবসু মীনাই ওইনা শিরবদি ইশাগী ইরালনি। মসিদা লাইনা হায়গদৌবা করিসু লৈতে, মপু ওইনা থবক তৌবা হায়বসি লাই খুদিংমক্কী সনা য়াথংনি। মী ওন্নবা, লম ওন্নবগী ৱাতনিদা।

হিংনীংলিবা মী খরনা হিংনবা হোৎনবদা অথিংবা-অপনবা পীনরগুমসি হায়বসি মালেমগী ৱাফম ওইরবনি। ঙমজদবশিংনা অয়াম্বা, তায়নফম থিদুনা লৈবা হায়বসি মাঙলোমদা চংশিনবনিদি হায়বা য়াদ্রে। পুৱারীগী ৱারীশিংসি পরিক্ষা থাবগী পাবদৌনা পাবনা কান্নবা ফংগনি হায়বা লৈতে, চিনফা পুবগীসু কান্নবা নত্তে, ৱা ঙাঙফমসু মফম খুদিং মান্নবা নত্তে। মালেমসিদা ঐখোয়না লৈরিবা নাকল অসিনা খ্বাইদগী শোনবা, খ্বাইদগী ৱা য়াম্বা লমদম অমা ওইরক্লিবসি লাই অমনা শিল্লকপদি নতে, ঐখোয় ময়ামগী ৱাখল খূৎখন্দুনা ওইগদৌরিবনি। লাইদা মতম মাঙলিবা মখৈ থবক চুম্বা ঙমদববু য়াই, মহয় চাবা থেংথবদি শোয়দ্রে। কাঙবু অমনদি লাই হায়বসি থবক্কী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরিবনি, হৈত্রগনা লৈবাক থুগায়বগী গাদা ওইগদৌরিবনি। লাইদি করিসু হায়রক্লোই, মীতনা শান্নবা লীলা/কুম্মৈ ওইগদৌরিবনি। ইশাগী ৱারেপ্তি ইশাতনা লেপ্লা ঙমজগদৌবনা লাউরগা শান্নগদৌবা নত্তে। থবক তৌগদৌবা মীসু রেদিওদা, পাউচেদা থিবা ফংগদৌবা লৈতে। য়েক্লবগী মচাদা ঐগী ৱারী লীশিনবগী কান্নববু করিনো? ৱারেপ্পু শৈরেং থিবগুম থিরগা নাৎ ওন্থোকপা য়াবা নত্তে। নাৎ খরদি ফোলা তোৎপগুম তোৎলগা মী অনৌবা কাঙলূপ শেমগৎপদা শীজিন্নরিবনি। মমিৎ তাংবশিংনা থাঙহাইবা ঙম্নরবা মতমসিদা লাওতাং তাংবা মীনদি উবা ঙম্নদ্রবনি। ঙকইবনি।

থায়নদি লুচিংবা অমনা কোয়লাও লাওরগা হায়বা ইনবা খরনা শিল্লগা শা-লান অমা চৎলগা লৈবাক অমা শেমগৎপা য়ানরম্মী। ঙসিদি লম য়েন্নবা লোইখ্রে, ইশাগী ইরমদম ঙাকচবা ঙমদ্রবদি লৈবাক হায়বা অমা অমুক হন্না ফংলরোই। শগোলগুম্না লৈওনফম ফংলরোই, লৈওনবা উররোই। লৈবাক অমা খুল্লিংগে হায়রবদি মীয়াম অমগী ফজবা ৱাখল্লোন অদুদি তঙাইফদনা চংই। হিংনবগী চানবা চংই, চানবগী লৌফম চংই, লৌ-শিং উনবা লৈমায় চংই। লৈমায়দুনি লৈবাক হায়রিবসে, তূম্ফম-হিপফম-চাফম খরদুনা লৈবাক ওইবা য়াদে। কোনুংলোন্না লাল্লকইবসি মসিদনি খন্থবা নংহৌদ্রবনি, পঙচাউদা চাউজরুবগীনি। চানবদি লাকপগা-ফোইবগা অঙম্বা শারগা খোমগৎলম্লিবনি, চানবগী লান্দি মখা তাহৌরি। চানবা পুথোকপা ঙমদ্রে লৈবাক য়োল্লগা চারে, পঙলুবগী লাল্লে হায়বিরে। চোংঙাগুম-চারোইগুম মকোন মুন্নরক্লে। শা-কৈগুম মকোন থাদোক্তুনা চানবা থিনরক্লে, হায়নরক্লে।

অমনা অমদা লাল্লি হায়বা তানররোই, চুম্বা-লানবগী ৱা য়াওনদ্রে। লৈশেম্বা ঙম্বা লাইগী ৱাখলদা লাকখ্রে, কনাগী মখাদা লৈত্রবনি খন্নখ্রে। অদুগী মথক্তা য়োংদৌনা চাবা-চাদবা পোৎ অমা লাক্লগা পুখিবগী হৈনবী হেক্তা য়াওশিল্লকইবনি। মী হায়বসি ওইবা তারবদি শাজৎ খরদি থাদোক্তবা য়ারক্ত্রবনি। লাইগী শাজৎনি হায়দুনা চহী লিশীং কয়া লাওদুনা লাক্লগা করিগীনো মীওইবনা য়ানরক্ত্রিবা? অনৌবা চারোল-শুরোলদা করি তম্বীরম্বা তারিবা? তম্বীগদৌরিবা মাবু করি খঙলবগে, মপা-মপু শিরগা মচাশিং মরূকোকথোকপীরগা করিবু খঙলবনি হায়গদৌরিবনো? শুমাং ময়ায়দা লৈওন্দুনা শান্নরগা হিংলগনি খনবা চুমগদৌরিব্রা? ৱাখলদি খল্লিদা হায়রবসু অদুক হাক্লা ফজরবা-চুম্লবা লৌশিং-পারিং অমদি নৎত্রে খঙলবনি। মোইথেম তৌরগা অতোংবদা লেপ্পা তান্নবসি মালেমগী লৈমায় অসিদা মীওইবগী শাজৎতা হামুক তৈশিনবা অমনি, মদুসু শগোল লৈওনবগুম্বনি। শা অদুনা উফুল তৈবা অদুতনি কান্নরিবা, সোসিয়েলিজম খঙবা নত্তে।

মালেমগী লৈমায়সিদা কোয়চৎ চৎকনি, মীগী ইঙ্খোলদা চংলুবসু য়াওগনি, তান্থোরকপসু য়াওগনি, হূই-য়েন খরসু কাওনরমগনি। মী উবা নত্তে, খঙনদবনা ফাবসু য়াদা, য়াচল য়াওবসু নত্তা, য়ূমশানি হায়রম্বদগী লমষণ ওইখৎলক্লি। শিল্লিবা থৌশিল মতা অসিদা মীসু-শাসু মান্নখৎলক্লি। মিৎয়েংসি লাল্লি হায়বসু শজিক থাক্লিবা মপুনদি মপূক্লিংদা শাগী শা মান্নে খল্লম্বসু য়ারিবনি। ●

# মহারাজ গম্ভীরসিংহ
## ঙসিগী মীরোলনা চপ চানা ইকায়খুম্নফম থোকই

- কাংজম হেমন্ত -

মণিপুর মনীং মখা তম্না, মঙাল নাইনা লৈরম্বা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিদা নিংথৌ কয়ামরুম পানখি, অথৌবা কয়া পোকখি। অদুবু মরৈবাকপু য়েক্লবগী মখূত্তগী কন্নবা লান্থেংনবদা মায় পাকখিবা নিংথৌশিংগী মরক্তা অমত্তং পনবা তারবদি মহারাজ গম্ভীরসিংহনি। অদুনা মতম চূপ্পদা মীয়ামগী অশেংবা লুচিংবনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা শক্ল-শোন্নরি। কুমজা ১৭৮৮দগী ১৮৩৮ ফাওবা হিংলম্বা মহারাজ গম্ভীরসিংহগী অতোপ্পা মমিংদি চীংলেন নোংদ্রেনখোম্বা কৌই। মহাক চীংথংখোম্বগী মচানুপানি। মহাক্কুম্বা লুচিংবা মণিপুরীশিংনা ফংলমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়গী ইমা লৈবাক, চীংলৈপাক অসি লৈরম্লোই। মীতৈ হায়বা ফূরুপ অমা হিংলিবসিসু পুৱারীগী ৱারী লীখুলদা লৈহৌবা নত্তনা খোঙ্গুল মুৎলমগদবনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগা, কুকি অমদি অতৈ ফূরুপশিংনা মখোয় মখোয়গী লমনি হায়না মুন্নবদা নত্তনা তোখায়বা লৈঙাক সাসন লৈহনগদবনি হায়রিবা মফম অসি বর্ম্মাদা মচেৎ অমা, ইন্দিয়াদা মচেৎ অমা তিনখিদুনা মফম-মরাং খঙদবা মওংদা লৈরমগদবনি। ঐখোয়গী অপূনবা শক্তম, ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লমখৈ, ঐখোয়গী ফূরুপ লৈরম্লিবসি মহাক্কুম্বা লুচিংবা অমা ফংজবদগীনি হায়বসিদং খঙলগা ঙসিগী মীরোলনা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায়খুম্নফম থোক্লবনি।

লাইগী মশক ওইরবা লুচিংবা অসি লৈখিদবা অসি জন্যুৱারী ৯ অসিনি। নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং কৎপা হায়বসি তৌফদ্রবা থৌদাং অমনি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা তৌবীরম্বা শীংথানীংঙাই ওইবা থবকশিংগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি বর্ম্মানা মণিপুর লৌশিনখ্রবা তুংদা চহী তরেৎ চূপ্পা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফূরুপশিং মুথৎনবা হোৎনরকখি। লাঞ্জেন্নবা ঙমহৌদ্রবা নৎত্রগা লানফা ওইখ্রবা মীতৈশিং অৱা (বর্ম্মা) না ফারগা মীনাই ওইহন্নবা মখোয়গী লৈবাক্তা হোয়রগা পুখি। নুপা-নুপী পূম্নমক অৱাগী মীওৎ মীনৈ কিবদগী চীংনুং মানুংদা লাঞ্জেন্নখিবা মরম্না মণিপুরগী তম্পাক লমদা মীতৈ অমফাওবা মঙক হাইগৎনা হিংবা ঙমখিদে। শম্না হায়রবদা খোঙ্গুল মুৎকদবগী ঙাইদুনা লৈখি। মচোই মচোই লাঞ্জেন্নখ্রবা মীতৈশিংবু গম্ভিরসিংহ অমদি নরসিংহ মচিন মনাও অনীনা চোয়খোম খোম্লগা কছার তম্পাক্তা মণিপুর লেভি লিংখৎখি। মতমদুদা শুপ্নতগী মীওই ৫০০ খক খোম্নবা হোৎনবদা মচিন মনাও অনীনা কয়াম্না ৱারমগদগে হায়বা মীয়াম্না খন্থবদা থোইনা ৱাগনি নীংদে। য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা মণিপুর লেভি লিংখত্তুনা বৃটিশকী মতেং লৌরগা মণিপুরদা লান্দারকখি। চহী তরেৎ চূপ্পা ওৎ-নৈদুনা লৈরকখিবা অৱাশিংবু মহারাজ গম্ভীরসিংহগী লিচিং মখাদা মায়থীবা পীদুনা নীংথি তুরেলগী তোর্ব্বান ৱাংমা ফাওবা তান্থোক্তুনা অনৌবা মণিপুর অমা শেমখি অমদি নৌহৌননা নীংতম ফিরাল পুরক্তুনা লংথবালদা য়ুংলদুনা মংফম য়ৌরুরবা মীতৈ ফূরুপ্পু অনৌবা থৱায় হাপ্তুনা মালেমগী মীওইবা খুন্নাইগী মমাঙদা মতিং লৈবা খুন্নাই অমগুম হিংহনখি। মশাগী ওইজবা হায়বা ৱাখল মচেৎ অমত্তা পোকখিদ্রবা, মীতৈ খুন্নাইগীদমক্তা মপূন্সি কৎখিবা, মীয়ামগী য়াইফগনি হায়রবদি নিংথৌ খুভম ফাওবা মীহৌখিদবা অসিগুম্বা লুচিংবা অমা লমদম অসিদা পোক্লম্বা হায়বসি মশাগী ওইজবতা খনবা ঙসিগী আইন শেম্বশিংনা শোয়দনা খঙলমগনি।

আইন শেম্বশিংনা গম্ভীরসিংহগী ৱাখল্লোন অমদি মহাক্কী লৈবাক নীংবা মতৌ লৌবা ঙম্লক্লবা মতমদা মণিপুর করিগীদমক চাওখৎলবা মফম অমা ওইবা ঙম্লোইদৌরিবনো? কাঙলূপ মশেলগী করিগীদমক থরুম তৌনগদৌরিবনো? লুচিংবা অমদা চেনফম থোকপা মতিক ময়াই চেন্দ্রবদি লৈবাক অদু কাং খোং চাইরকপা হায়বসি হৌনশা ওইবনা ঙসি মণিপুরী খুন্নাইনা দেমোক্রেসিগী মরুমদা মীওৎ মীনৈ খাঙলগা লৈরিবসিনি। কখোকপা হৈত্রবা লুচিংবশিংদি ফূরুপকী লীক্লমচৎ য়াওদ্রবনি, মখোয়গী থবক থৌওং, থৌশিল হৈতবনা লৈবাকপু খুন্তাকহল্লি। মুৎহল্লি, অৱাবা তাহল্লি। লৈবাক্কী মপু ওইবগী ৱাখল্লোন লৈতবা, চৌক্রি ফমতবু মীহৌবা লুচিংবশিংনা লৈবাক অমবু লৈখা তাহল্লি, মীনাই ওইহল্লি, মশাগী শক্তম মুৎনবগী মরম ওইহল্লি।

অসিগুম্বা তানফম অসিদা ঙসিগী মীরোলনা ফূরুপকী লিক্লমচৎকী মগুণ চেঞ্জবা লৈখিদ্রবা অথৌবা অসিগী মফমদা লৈ মনা অমত্তং কৎপা অমদি মহাক্কী ৱাখল্লোন অমসুং মহাক্লা মণিপুরী খুন্নাইগীদমক তৌরম্বা থবকশিং হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা খঙহল্লবদি নোংমদি মণিপুরসু লৈমিন্নরিবা ষ্টেটশিংদগী হেন্না চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইরক্কনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মহারাজ গম্ভীরসিংহগুম্বা তাঙলবা মীশক অসিগী মতিক ময়াইশিং ৱারী লীদুনা অপূনবা মণিপুর, চাওখৎপা ষ্টেট, ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাকপা ঙম্বা লুচিংবা থোরক্লবগী ৱাখল্লোন পীবা মথৌ তাই হায়জনীংই।

কুমজা ১৮১৯-১৮২৬, চহী তরেৎ খুন্তাকপদা ইপা-ইপুশিংনা লৌরম্বা থৌদাং মণিপুরগী পুৱারীদা নোংম-নোংমগী মরু ওইবা হেনগৎলক্লি। কুমজা ২০২৩দা চহী ১৯৮গী মতুংদা নৌহৌননা চহী তরেৎ খুন্তাকপগী থৌওংদুমক অমুক থোক্লরে। ঐখোয়না নীংশিংলি, পামহৈবা নিংথৌনা থুপখ্রবা মতুংদা মানা লৌরম্বা নুপীশিংগী মচা (মশুশিংগী) মরক্তা নিংথৌ ওইনবা, ফম্বাল কানবা, ফম্বাল মীহৌনবগী লান্দা চহী তরেৎ খুন্তাকখি। ঙসি চহী ২০০ মপূং ফাদ্রিঙৈদা ঐখোয়গী লুচিংবশিং পূনশিনবগী ৱাখল লৈতবা মচোই-মচোই তানবদগী অমুক হন্না খুন্তাকপগী চৈথেং অদু অমুক নৌহৌননা ফংদুনা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী মপূন্সি লোমখ্রে, য়ূম কয়া তাঙ্গোই ওনখ্রে, মী লিশীং কয়াগী লৈফম লৈত্রে, শুফম নোম্ফম চানীংঙাই থক্লিংঙাই লৈত্রে, লায়েংবা ঙমদ্রে, হিংবগী মমি শাম্লক্লে। ইপা-ইপুশিংনা পাউথাং য়ৈনা পাউজেল্লম্বা নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ হায়বদুমক থোক্লরে। ঙসি ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা ৱাহংদি ইপা ইপুশিংনা শীন্নরম্বা মণিপুরবু ফীভম অমত্তা কায়হন্দনা অমুক হন্না কনবা ঙমগদ্রা হায়বসিনি। ঐখোয়গী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি, এঠনিক আইদেন্টিটি অমসুং নুংশি চান্ননা থম্নবা হোৎনবা তাবনি। ঐখোয়গী ইরমদম কন্ননবগীদমক ঙসিগী মীরোলনা কখোকপদা য়ূম্ফম ওইদুনা পুনশিন্নবগী লীপূন্না চেৎনা পুনশিন্দুনা ইপা-ইপু, অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লীবনা কুমওন থৌরম অসিগী অশেংবা শক্তম অমসুং অথৌবশিং অদুগী মফমদা ইকায়খুম্নফম থোকপা অদু ওইগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।